# জপানিজ কুইএলগী কান্নবশিং অমদি করম্না শেন্নগনি

**সরাংথেম জেসমারানি**

কুইএল ময়াম্না জপানিজ কুইএল হায়না খঙনরিবসি কা হেন্না লূম্বা উচেক নত্তে। মসি চাউরাক্না গ্রাম ২৫০ লূম্মী অমদি চহী অমদা মরূম ২৫০-২৮০ মুক কোকই। জপানিজ কুইএলসি য়েংবদা লাবা অমদি অমোম ইরায় লায়না খন্দোকপা ঙম্মী। লাবা ওইরগনা মখোয়গী মথবাক্তা খরা পীকশিন্না ব্রাউন অমদি অমুবা মচুনা পাক্লা হৌবা থেংনবীগনি। কুইএলগী মরূমসি গ্রাম ১০ মুক্তমক লূম্বনিনা য়েরূম অমা লৈরগা চাবা ঙমদবা কাঙবুগীদি মসিনা মহুৎ শিন্দুনা চাবসু য়াই।

**কুইএলগী কান্নবশিং ঃ** কুইএলসি য়াম্না ঙন্না মপুং মরৈ ফাই, হাপ্তা ৬ শুরগদি মশা চাবা য়ারে, য়াম্না পীকপা উচেক মখল অমা ওইবনা শেল চঙদনা মকোন শেন্বা য়াই, কুইএলসি য়েন ঙানুদগী হেন্না মহাও লৈ। মসিদা ফেটকী চাং য়াম্না হন্থে, কুইএল মরূমসি কোলেষ্টরোলগী চাং য়াম্না হন্থে। মরম অসিনা অহল, অঙাং খাক্তনা চাবা য়াই, কুইএল মরূমসি মশা অমদি মরূমগী ন্যুত্রেন্টস য়াম্না য়াওবা মরম্না চাজেনবী মমাশিংনা চাবা য়াম্না ফৈ।

**লৈনবা মকোন শাবা ঃ** কুইএল মচাসি হেক ওনবদা ঙাইরিবা মতমদদি মৈ নীংথিনা পীদ্রগদি শিবগী চাং য়াম্না ৱাংই। ওনবতা ঙাইরিবা কুইএলসি ঐখোয়না মৈশা পীনবা নীংথিনা শেম শাদুনা থম্বীগনি। অহানবদা ওনবদগী হাপ্তা অনী ফাওবদি কুইএল ১০০ গী ওইনা ৩ x ২.৫ x ১.৫ ফিট ওইগনি অমদি হাপ্তা ৩-৬ ফাওবগীনা কুইএল ৫০ দা ৪ x ১.৫ x ১.৫ ফিট ওইগনি। অহানবা হাপ্তা অমদদি মখোয়না থক্লবা ঈশিং পাত্রদা নূং হাপ্পীদুনা মশাদা ঈশিং চোৎহন্দনবা হোৎনবীগনি অমদি মচিঞ্জাকসু খরা খরা চাইথোক্লগা থম্বীগনি।

কুইএলশিং হাপ্তা ৩ ফারগদি মকোন অমগী মথক্তা অমা লোনখৎনরগা থম্বীবা য়াই। লোনখৎনরিবা মকোনসি টাইয়র হায়নসু খঙনৈ। টাইয়র অমদা কাখল মরি থোক্লা খাইদোক্লগা কাখল অমদা ৬০ সী এম x ৬০ সী এম x ২৫ সী এম ওইহন্দুনা কুইএল ২৫-৩৫ ফাওবা অঙৈং অশাগী মতুংইন্না থম্বীবা য়াই। কুইএল মশেল চিক্লদনবা মচিন অতুম্বদু হাপ্তা ৩ শুরগা ককথৎপীগনি। করিগুম্বা লৈমায়থক্তা ওইনা কুইএলশিং য়োকপীগে হায়রগদি মকোন মথক্তা হাপ্লিবা ৱাইশিংসি সী এম ৯ থানা হাপ্পীগনি। হাপ্তা ৫-৬ শুরক্লগদি মখোয়সি মরূম কোক্লগদৌরিবনিনা উচেক অমদা ১৫০-১৮০ স্কৱার সেন্টিমিটরগী জগাদা থম্বীগনি। কুইএল মচাশিং হেক ওনবগা পুং ২৪ মৈ পীবা মথৌ তাই। মশা চানবা মপূং ফারবা য়োনগদবা ওইরগদি নুমিৎ তরেৎনি ৱাৎলিঙৈদগী পুং ২৪গী মনুংদা পুং ৮ মৈ পীরগা পুং ১৬ পীদবনা হেন্না লূম্বা হেল্লি। পীগদৌরিবা মৈসি নুংশা মঙাল নীংথিনা ফংবা মফম ওইরগদি তোঙান্না মৈ পীদ্রগসু য়াই।

**মচিঞ্জাক পীজবা ঃ** কুইএল য়োকপদা ব্রোইলর মচিঞ্জাক পীজবা য়াই। মসিদা ব্রোইলর মচিঞ্জাক্তা চেঙকুপ/ৱাইরু অমদি অতোপ্পা মচল য়ানবীগে হায়রগদি মখাদা থমজরিবা অসুম্না য়ানবীগনি।

টেবল ১ঃ মচিঞ্জাক শেন্বা

| মচল | ষ্টার্টর (kg/q) | লেয়র (kg/q) |
|---|---|---|
| ব্রোইলর মচিঞ্জাক | ৬০ | ৪৫ |
| চুজাক মকুপ | ২০ | ২৫ |
| চগেম | ২২ | ২০ |
| চেঙকুপ/ৱাইকুপ | ০৮ | ১৮ |
| থুম/ভিটামিন/মিনরেল | - | ০৫ |
| | ১০০ | ১০০ |

টেবল ২ ঃ নুংতিগী পীজবগী চাং

| মতম (হাপ্তা) | পীজগদবা চাং (গ্রাম) |
|---|---|
| ১ | ৫ |
| ২ | ২২ |
| ৩ | ১৫ |
| ৪ | ১৮ |
| ৫ | ২০ |
| ৫ অমদি মথক | ২৩-২৫ |

**মচা হেন্না ওন্নবা লাবা-অমোম থম্মীন্নবা :** মচা লৌনবা লাবা অমগা অমোম মঙাগী চাংদা থম্বীগনি। কুইলশিং হাপ্তা ৫-৬তগী মরূম কোকপা হৌরগসু মচা ওনবগী চাং ৱাংনা ফংনবা হাপ্তা ৮-১০ ফাওবগী মনুংদা লৌবনা হেন্না ৱাংই। মকোন মনুংদা কুইএলশিং য়াম্না চিন্না থম্বীরোইদবনি। নুংশিৎ নুংশা মরাং কায়বা মফম ওইগনি। করিগুম্বদা লাবগা অমোমগা তোঙান তোঙান্না থম্বীরগদি লাবা হাপ্লবা মতুং নুমিৎ ৪নি লৈরগা মচা কোন্নবা মরূম লৌবীগনি। মরূম নিংথিনা কোক্লবা মচিঞ্জাক কাঙলোন চুম্না নীংথিনা পীজবীগনি। মচাগীদমক্তা কোনগদৌরিবা মরূমশিং থম্বা মতমদা মতোন অতুম্বনা মনুংদা লৈহল্লগা খরা পাকপদুনা মথক থম্বীগনি। হাপ্তা অমা ফাওবগী মনুংদা লৈবা মরূমশিং কোন্নবা শীজিন্নবা য়াই। মরূমশিং কোন্নবা হাপখ্রবা মতুংদা মচা কোনবগী মতমসি নুমিৎ ১৭-১৮নি চঙই।

**কুইএল মচা শেন্নবা :** কুইএল মচা হেক ওনবগা মখোয়দা পীগদৌরিবা মৈশাগী চাংসি ২১-২৪° ফাওবনি। মসিদা নুমিৎ ৪/৪নি লৈরগা ২.৮° সেলসিয়স হন্থগনি। মফম অমগা অমগা অঙৈং অশাগী চাং খেন্নবগী মতুংইন্না খ্বাইদগী লায়বা মওংদি ঐখোয়না পীরিবা মৈশাসি ৱাৎলে হায়রগদি মৈ মনাক্তা পূন্না তাশিন্দুনা লৈবা উগনি। অমরোমদনা পীরিবা মৈশাদু হেনবা ওইরগদি কুইএলশিং লাপ্পা লৈবা থেংনগনি।



**কুইএলগী মরূম ঃ** কুইএলনা হাপ্তা ৫-৬ শুরগদি মরূম কোকপা হৌরকই। অয়াম্বনা নুমিদাংৱাইরমদগী মতমদা মরূম কোকই। মরূম অমনা গ্রাম ৯-১০ মুক লূম্মী। কুইএল মরূম অমদনা ঈশিংগী চাংনা ৭৪%, প্রোটিনগী চাংনা ১৩%, ফেটকী চাংনা ১১%, কাবোহাইড্রেটকী চাংনা ১% অমদি মসিদা কোলেষ্টরোলগী চাং য়াম্না হন্থে।

**কুইএলগী মশা ঃ** শেমদোক্লবা কুইএল চাবা য়াবা শাদোংসি ৭০-৭৩% নি। লাবগা অমোমগা লূম্বগী চাংসি অমোম্না হেন্না লূম্মী।

**লায়নাদগী ঙাকথোকপা ঃ** কুইএলগী পুন্সিসি অঙৈং অশাগী মখা য়াম্না পোল্লি। মরম অসিনা ওনবদা ঙাইরিবা মতমদগী হৌনা চেকশিন থৌরাং কয়া অমা লৌবীবা, মৈ নীংথিনা পীবীবা য়াম্না মথৌ তাই। মখোয়গী লাইভ সাইকলসি য়াম্না তেনবা মরম্না হৌজিক ফাওবদি টিকা থাদোকপা নৎত্রগা তীল হীদাক থাবসি তৌদ্রি। মখোয়দা য়াম্না কম্মন ওইবা লায়না হায়রগদি মথি অঙাংবা ফাইবা, অঙৌবা ফাইবা অসি খরা থেংনৈ। মসিগী লায়ওংসি উরক্লগদি মনাক নকপা, অঙখ অহৈগা তানবীদুনা ঙন্না লায়েংবীহৌগনি। কুইএলসি য়েনগুম্না লায়না কয়া চেনগন্দে অদুবু খ্বাইদগী মরু ওইবদি চেকশিন্না লূ-নান্না য়োকপীবসিনা খ্বাইদগী মরু ওইবা থৌওং অমনি। মসি তৌবীরগদি শিবগী চাং হন্থবগা হেন্না শেন্দোং লৈনা লোয়বা ঙমগনি। ●

# ৱাটরসেদ মেনেজমেন্টকা মরী লৈননা ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিং পায়খৎপা

**ডোঃ য়ুম্নাম বেদজিৎ**

নোংগী ঈশিং অসিনা অহানবদা অকংবা লৈমায়দা তারকপদা লৈমায়না চূপশিনবা ঙম্বমখৈ চূপশিল্লগা অহেনবা ঈশিং অদুনা লৈমায় মথক্তা থুমজিল্লকই। অতুংবা ঈশিং কুইনা লৈয়ু য়াদবনিনা অকুৎপা মফমলোমদা চেন্থরকই হায়বদি লোক, পাৎ, তুরেল মথং-মথং চেন্থরগা মমৈদা সমুদ্রদা য়ৌখি। পান্বীগী মনা, মউ অমদি মরানচিংবদসু নোংগী ঈশিং চূপশিঞ্জহৌই। চূপশিনবা ঙমহৌদবা অহেনবা শরুক অদুনা লৈমায়দা তারকই। অঙম্বা চীংমাইদসু হৌরিবা উদুনা চূপশিনবা ঙম্বমখৈ চূপশিঞ্জরবা মতুংদা চীংথক্তা ঈশিং তুংশিল্লকই। উমং ফজনা লৈবা চীং ওইরবদি ঈশিং চূপশিনবগী চাং ৱাংবনা নোংগী ঈশিং অয়াম্বনা চূপশিন্দুনা থম্বা ঙম্মী। উ য়াম্না হৌদবা অহাংবা চীংমাইদদি লৈবাক্লা চূপশিনবা ঙম্বা খরমখৈ চূপশিল্লগা অরেম্বা ঈশিংশিংদু চীংখোঙলোমদা য়াম্না থুনা অমদি অকনবা ঈচেলগা লোয়ননা চেন্থরক্তুনা অকনবা মথক থংবা লৈবাক লৈহাওশিংদু চীংখোঙদা পুথরকই। চীংখোঙদগী তুরেল য়ৌখিদুনা তুরেল খোংনুং থেলহল্লকই। করিগুম্বা দাম শাবা তুরেলশিংগী তুরেল খোংনুংদা পুথরকপা চীংগী লৈবাক্লা দাম ফুনজিল্লক্তুনা দাম কায়হনবা ফাওবা থোকহল্লি। মরম অসিনা উমং কোকথোকপা অমদি চীংদা পামলৌ উবা অসিনা লৈবাক লৈহাও চেন্থহনবদা মতেং য়াম্না পাঙবতা নত্তনা চাওখৎ থৌরাং পায়খৎপদা অকায়বা কয়া পী। লৈমায়গী মথক থংবা অমদি লৈহাও লৈবা শরুকশিং চেন্থখিদুনা অতোপ্পা লৈবাকশিংদা পুখ্রি অমদি সমুদ্র য়ৌখি। নোংগী ঈশিংসু অমত্তা তুংহৌদনা লৈবাক্কা চেন্থমিন্নখ্রবনিনা লৈবাকসু ঈশিংসু তুংগী শীজিন্ননবা লৈহৌদবনা মরম ওইদুনা ঈশিং ফংদবা অমদি লৌউ-শিংউগী পোত্থোক পুথোকপা ঙম্লক্তবনা অৱাবা লমদম অমা ওইহল্লি।



মীওইবগী চীঞ্জাক পুথোকফম ওইরিবা লৈহাও চেনবা লৈবাক অসি মহৌশানা চহী কয়া চঙনা শেম্লকপা পোৎশক অমনি। লৈহাও চেল্লবা পোত্থোক ফজনা পুথোকপা য়ারিবা লৈবাক্কী মথক থংবা শরুক অসি ঐখোয়না চেকশিনবীদবদগী নোংমা নোংমগী ফত্তবা লৈবাক ওনশিল্লক্লি। মতাং অসিদা থমজনীংবা অমদি মথক্তা পঞ্জখ্রিবা খুদোংচাদবশিং অসিদগী কলহৌনবগীদমক্তা করি থবক থৌরম পায়খৎপা য়াবগে হায়বদু ঐখোয় মীপুম খুদিংমক্লা খন্থমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈরি।

হৌখিবা চহী কয়াদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী খুখ্যাংদা উমং চাওখৎনবা, লৈবাক অমসুং ঈশিং মাঙহন্দনবা, ঈশিং চাওহন্দনবা, ঈরাং থোকহন্দনবা স্কিম কয়া পায়খৎলবসু মপূং ফানা কান্নবা ইফং ফংদনা লাক্লি। তৌইগুম্বসুং অখঙ-অহৈশিংগী কম্মিটি কয়া শেমদুনা খন্নরবা মতুংদা ৱাটরসেদশিংদা স্কিম খুদিংমক পূনশিন্দুনা ৱাটরসেদ মেনেজমেন্ট প্রোজেক্ট লৌখৎলবদি পূম্নমক্কী কান্নবা ফংগনি হায়বা ৱাখল্লোন অসি পুথোক্লকপদগী থবক থৌরম কয়া পায়খৎপা হৌখ্রে। ৱাটরসেদ হায়বসি চীং-মান, চীংখোঙ-চীংয়া, লৈতেম মান্নবা তম্পাকশিং পূম্নমক ঈশিং চেন্থরক্লিবা খোং, লোক নৎত্রগা তুরেল অদুগী ৱাটরসেদ কৌগনি। মরম অদুনা ৱাটরসেদ অমা মেনেজ তৌরকপদা চীং অমদি তম্পাক্কী লৌউ-শিংউ পাঙথোকপা য়াবা মফম পূম্নমক্তা থবক থৌরম কয়া পায়খৎফম থোকই। শেন্থোক হেনগৎহন্নবা শা-ষণ য়োকপগী থবক কয়া পায়খৎকনি। মফম চাবা য়েংলগা তুংগী শীজিন্ননবা ঈশিং তুংশিনফম শেমগনি অমদি ঙা মখল কয়া য়োক্কনি। অসুম্না শেন্থোক হেনগৎহন্দুনা চীংদা পামলৌ উবনচিংবা লৈবাক লৈহাও মাঙহনবা য়াবা থবকশিং পাঙথোকহন্দবা য়াগনি।

মতাং অসিদা ঐখোয়গী লমদম অসিদা য়াম্না চানগদবা থৌওং অমদি ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিং অসিনি। করিগুম্বা ঙানা অচৌবা শরুক অমা ওইরবদি থৌওং অদুবু ইন্টিগ্রেটেদ ফিস ফার্মিং হায়না খঙনৈ। হায়রিবা থৌওং অসিদদি থৌওং অমগী কান্নদবা অমদি অরেম্বা পোৎশিং অদু অতোপ্পা থৌওং অমদা কান্নবা পোৎ ওইনা অমুক শীজিন্নৈ।

ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিংগী কান্নবা ঃ

১) চাথোক হেনগৎহল্লি।

২) থবক ফংবগী চাং হেনগৎহল্লি।

৩) শেন্দোং হেনগৎহল্লি।

৪) ঙা য়োকপদা চঙবা শেল হন্থহল্লি।

৫) পোৎশক খুদিংমক ফজনা শীজিন্নদুনা অমাঙবা অমদি অরেম্বা লৈহন্দে।

৬) থৌওং অমা শোয়বদগী মায় পাক্ত্রবসু অতোপ্পা থৌওং অমা মায় পাক্লক্তুনা অমাঙবা ওইগনি হায়বগী চিংননীংঙাই ওইদে।

চীংগী লমশিং অয়াম্বনা য়েন, ঙানু, ষণ, ইরোই অমদি ওকনচিংবা কয়া য়োকপগী চৎনবী লৈবনা মরম ওইদুনা মখোয়শিং অদু পুল্লপ পূনশিন্দুনা অমনা অমগী কান্নবা ফংমিন্নদুনা চাথোক হেন্না পুথোকপা য়াই। মরম অদুনা হায়রিবা থৌওং অসি চীংগী লমশিংদা য়াম্না কান্নবা য়াবা থৌওং অমনি।

চীংগী লমশিংদা ফৌ মরক্তা ঙা খরা খরদা ওইরবসু য়োকপা হায়বসি ঙল্লিঙৈ মতমদগী ঙসি ফাওবা চৎনদুনা লাক্লি। অসুম তৌদুনা লৌ উরিবা মীওইশিংনা লৌ উবা মতমদা লৌবুক্তা ঙা মচা খরা থাদবীদুনা ঙা খরদা ওইরবসু ফৌ লোকপা মতমদা ফানবা হোৎনবীদুনা শেন্থোক হেনগৎহন্নবা হোৎনগদবনি। লৌবুক্তা ঙা য়োকপা মতমদা তীল-কাং অমদি নাপী ঙানা চাথোকখিবদা নত্তনা ঙাগী মথিনা লৈহাও লৈহন্দুনা ফৌগী চাথোক হেনগৎহনবা ঙম্মী।

অসুম্না শেল-থুমগী ফীভম ফগৎহনবদা উ-ৱা য়ানথৎপা, পামলৌ উবনচিংবা কয়াবু তোকহনবা ঙমগনি অমদি তাঙলবা লৈবাক লৈহাও অমদি ঈশিংবু ফাজিন্দুনা থমদুনা মাঙখিগদবদগী কনবা ঙমগনি। মীওই কয়াগী চিঞ্জাক পুথোকফম ওইরিবা লৈহাও চেনবা লৈবাক অসি মহৌশানা চহী কয়া চঙনা শেম্লকপা পোৎশক অমনি। লৈহাও চেল্লবা পোত্থোক ফজনা পুথোকপা য়ারিবা লৈবাক্কী মথক থংবা শরুক অসি ঐখোয়না চেকশিনবীদবদগী নোংমা নোংমগী ফত্তবা লৈবাক ওনশিল্লক্লি। মতাং অসিদা থমজনীংবা অমদি মথক্তা পনজখ্রিবা খুদোংচাদবশিং অসিদগী কলহৌনবগীদমক্তা করি থবক থৌরম পায়খৎপা য়াবগে হায়বদু ঐখোয় মীপূম খুদিংমক্লা খন্থমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈরি। ●

# ফৌ থাবদা সিৱীদ এক্সত্রেক্টকী মরু ওইবা

**ডো. ৱাইখোম জিতেন**

নোংমা নোংমগী লেপ্তুনা হেনগৎলক্লিবা মীশিং অসিনা চাবা কোন্ননবা পোত্থোক পুথোক্লবা হোৎনবদা তঙাইফদনা খূৎশেমগী হারশিং অসি শীজিন্নবগী চাংসু নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি। কা হেন্না খূৎশেমগী হার শীজিন্নবসিনা ঐখোয়গী হকচাং শোকহল্লি অমদি ঐখোয়গী অকোয়বগী ঈশিং নুংশিৎ মোৎশিলহল্লি। অসিগুম্বা খূৎশেমগী হারশিং অসিগী চাং খরতা ওইরবসু হন্থহন্নবগীদমক সমুদ্রদা ফংবা নাপী মখল খরদগী (alge) শেন্বা হার মখলশিং লৌউ-শিংউবদা শীজিন্নবা হৌরক্লে। সমুদ্রদা ফংবা নাপী মখলশিংদগী শেন্বা হারশিং অসিদি নোংজু নুংশা অমদি লৈবাক লৈশানা মরম ওইরগা মথন্তা কায়থজখিবা ঙমই, ঐখোয় মীওইবা, শা-উচেক, ঙা অমদি অতেপ্পো জীবশিংদা অমাঙ-অতা থোকহন্দে অমদি অকোয়বগী খলদসু অকায়বা পীদে।




সমুদ্রদা ফংবা alge মখল খরদগী লৌথোরকপা পোৎলমশিংনা শেন্বা হারশিং অসিবু seaweed extract fertilizer কৌই। অসিগুম্বা পাম্বীশিংদগী শেন্বা হার মখলশিং অসি মহী ওইনা, মরূম-মরূম তাবা পোৎলম ওইনা নৎত্রগা মফোল ওইনা ফংই। কৈথেলদা ফংবা য়াবা তোঙান-তোঙানবা মমিংশিংদি Biovita, Push-pak, Agri Agro Uttra, Biogenesis, Guarantee, Kelpro, Maxi crop synergy, Tasco নচিংবনি। কনাগুম্বা লৌমী ইচিন ইনাওশিংনা মরূম-মরূম তাবা পোৎলম ওইনা লাকপা seaweed extract fertilizer শিং অসিবু Diammonium Phosphate (Diamond) গী মহুৎ হায়না লান্না লৌই। মসি চুমদে, মসি হায় হায়দুনা পোৎলম অসি কান্নদে হায়বদি নত্তে।

Seaweed extract শিং অসিদা পাম্বীশিংবু থুনা চাওখৎপদা মতেং পাংবা পোৎলম, হোর্মোন অমদি পাম্বীগী মচিঞ্জাক ওইবা পোৎলম কয়া অমা য়াওরি। পাম্বী অমনা মরূদগী পোকখায়রক্তুনা হৌরগা অমুক মরূ নৎত্রগা মথংগী চারা ওইনবা ফাওবগী মনুংদা চঙলিবা তোঙান-তোঙানবা খোংথাংশিংদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা Cytokinins, Ocexin, Gibberellin নচিংবা পোৎলমশিং মরাং কায়না য়াওই। মখোয়দা পাম্বীনা চাং য়াম্না দরকার লৈবা অমদি চাং য়ামদনা দরকার লৈবা পাম্বীগী মচিঞ্জাক মখলশিংসু য়াওই। মখোয় অসি শীজিন্নবনা খূৎশেমগী হার শীজিন্নবগী চাং হন্থহনবা য়াই।

Seaweed extract শীজিন্নবনা পাম্বীশিং থুনা চাওখৎহল্লি, ঐখোয়না পীরিবা পাম্বীগী অতোপ্পা মচিঞ্জাকশিং নিংথিনা শীজিন্নবদা মতেং পাংই, পাম্বীনা লৈবাক্তগী মচিঞ্জাক য়াম্না লৌখৎপদা মতেং পাংই, পাম্বীদা নোংজু নুংশানা পীবা চৈথেং অমদি তীল কাংনা পীবা চৈথেংশিং হন্থহন্দুনা পোৎথোক হেন্না পুথোকপদা মতেং পাংই।

Seaweed extract শিং অসি য়াম্না য়ামদবা চাংদা ঈশিংদা য়াল্লগা ফৌ মরূ অদু তিংবিরবদি থুনা মতোন থোকই, মউ-মরা থুনা শাংই অমদি হৌরক্কদৌরিবা পাম্বীশিং অদু অশোয় অঙাম য়াওদনা থুনা চাউই। Seaweed extract শীজিন্নবা লৌফমদা হৌবা ফৌ পাম্বীশিংনা ফৌ মচা হেন্না পোকই, পোক্লকপা মচা খুদিংমক চরোং ওইবদা মতেং পাংই, ফৌ চরোং অমদা পানগদবা মরূগী হেন্না পালহল্লি অমদি ফৌশিং অদু হেন্না মরূ চঙহন্দুনা লুম্বা হেলহল্লি। অমরোমদা অমুক seaweed extract শীজিন্নবা লৌফমগী ফৌনা প্রোটিন য়াওবগী চাং হেনগৎহল্লি। মহৌশানা ফৌদা চাং য়াম্না য়াওগন্দবা কোপর, জিঙ্ক, আইরন অমদি মেঙ্গানিসনচিংবগী চাং ৱাংখৎহনবদা seaweed extract না মতেং পাংই।

অকোয়বগী খল কায়থরক্লিবা অসি থিংনবগীদমক, হু চেনবা চিঞ্জাক চাবগী চাং হন্থহন্নবগীদমক অমদি কা হেন্না খূৎশেমগী হার শীজিন্নবদগী শোকচিল্লক্লিবা লৈবাক লৈহাওদগী কন্নবগীদমক হৌজিক্তি ফৌ থাবদা সিৱীদ এক্সত্রেক্ট শীজিন্নদুনা খূৎশেমগী হার শীজিন্নবগী চাং হন্থহন্নবা হোৎনবা মতম য়ৌরে। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।